# জপাননা ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়র প্লান্টকী রেদিওএক্তিব ৱাটর চহী অসিদগী সমুদ্রদা থাদবা হৌনবা থৌরাং তৌরি

টোকিও, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

জপানগী মথৌ লেপখ্রবা ফুকুসিমা দাইচি ন্যুক্লিয়র প্লান্টকী রেদিও এক্তিব ৱেইষ্টৱাটর পেসিফিক ওসিনদা থাদনবগী থৌরাং অমা চহী অসিগী স্প্রিং নত্ত্রগা কালেনগী মতমদগী হৌননবা খন্নরি হায়না ইরাই নুমিত্তা জপানিজ গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না প্লান্ট অদুগী সেদ্যুল অদু ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদা কনফার্ম তৌখি।

মীফম অদুদা সমুদ্রদা রেদিও এক্তিব ৱাটর হৈথরকপা মতমদা ঙা ফারিবা মীওই কাঙবুশিংনা ৱাগদৌরিবদু য়েংলগা মখোয়দা ফাইনান্সিএল সপোর্ট পীবগী ৱাফম য়ানখি। ৱাফম অসিমক ট্রিটেদ ৱাটর অদুবু দিস্পোজ তৌনবগী রিভাইস পোলিসিদা য়াওরিবনি। প্লান্ট অদুনা হান্নদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরল্লবা ফিসিং ইন্দষ্ট্রিদা মখা তানা শোকহনগদবা ওইবনা লৈবাক অসিগী ঙা ফাবা অমদি য়োনবনচিংবগী থবক তৌরিবা মীওই কাঙলূপশিংনা প্লান্ট অদুবু কন্না য়ানিংদবা উত্তুনা লাক্লিবনি।

রিভাইস পোলিসি অদুগী মখাদা অনৌবা য়েন বিলিয়ন ৫০ (দোল্লর বিলিয়ন ৩৮৮) কী ফন্দনি। ফন্দ অমনা ঙা ফারিবা কম্যুনিটিশিংবু শোয়দনা মতেং পাঙলগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা থাজরিবনি। হু চেল্লবা ঈশিং কদায় ফাওবগী চাংদা ট্রিটমেন্ট তৌগদগে হায়বগী ৱাফম খন্ননিংঙাই ওইদনা হু চেল্লবা ঈশিং অদু ঙা ফাফমশিংদা হৈথবনা ফিসিং কম্যুনিটিগী ঙাগী ষ্টোক্তা শোয়দনা শোকহনগদৌরিবনি।

প্লান্ট অদুগী মখাদা সুনামিনা শোকহনখ্রবা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুগী মেলটেদ ওইরবা ন্যুক্লিয়র ফ্যুএল ইংথহনবদা শীজিন্নরিবা লৌথোকপদা নত্ত্রগা পোকহনবদা ৱারগদবা রেদিওএক্তিব ট্রিটিয়ম য়াওবা ঈশিং অদু ট্রিটমেন্ট লোইরবা মতুংদা অন্দর ৱাটর টনেল অমা শীজিন্নরগা পেসিফিক ওসিনদা থাজিনগদৌরিবনি।

কুমজা ২০২১ দা অচৌবা য়ুহা অমনা থোকহনখিবা সুনামিনা প্লান্ট অদুগী মরু ওইবা কুল্লিং ফঙ্কসনশিং ফেল ওইহনখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৬ তা থোকখিবা চার্নোবিল ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টরগী মতুংদা মালেমগী ওইবা খ্বাইদগী শাথিবা ন্যুক্লিয়র ক্রাইসিস থোকখিবনি। প্লান্ট অদুগী টেঙ্কশিংদা থল্লিবা হু চেল্লবা ঈশিং অদু অথুবা মতমদা কেপাসিটি মপুং ফানা য়ৌরগনি অমসুং রেদিও এক্তিব ঈশিং অদুবু সমুদ্রদা থাজিনবগী মতম শাংনা চঙগদবা প্রোসেস অদু এক্সপার্টশিংনা চহী কয়ামুক চঙগনি হায়না পারি। মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা রেদিও এক্তিব ঈশিং অদু পেসিফিক্তা ইচম চম্না রিলিজ তৌনবগী ওল্টর্নেটিব কয়া খন্নখিবনি।

জপানিস গভর্ণমেন্টনা খন্নখিবশিং অদুদা ট্রিটিয়ম হাইদ্রোজিনেট তৌনবা ইলেক্ত্রোলাইসিসকী থৌওং শীজিন্নদুনা ঈশিং অদুবু সোইলদা দিচার্স তৌবা অমদি হু চেল্লবা ঈশিং অদুবু অখন্নবা কন্টেন্নরশিংদা লৈনুংদা লুনা ফুমজিনবগী ৱাফমশিং য়াওখি।

ইরাই নুমিৎকী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা হায়খি, মদুদি রেদিওএক্তিব ৱাটর ঈশিংদা হৈথবগী থৌরাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎনরকপদগী লোকেল রেসিদেন্টশিং, বিজিনেস ওপরেটরশিং অমদি মীয়ামগী সেন্টিমেন্টশিং হেন্না মুন্না খঙনবা হোৎনবগী থবকশিং মখা চত্থখিগনি।

জপান মনুংদা প্লান্ট অদুবু কন্না য়ানিংদবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নক্পবা য়ুমলোন্নবশিং অমদি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনসু পেসিফিক ওসিনদা রেদিওএক্তিব ৱাটর হৈথবগী থৌরাং অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরি।

# ‘ফিনলেন্দগী এমপিশিংনা সিম্পল মেজোরিটিদা নাটোগী মেম্বর ওইবগী ৱারেপ লৌবা য়াই’

হেলসিনকি, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

ফিনলেন্দনা নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) দা য়াওগদ্রা হায়বগী মতাংদা নোর্দিক লৈবাক অসিগী লো মেক্করশিংনা সিম্পল মেজোরিটিদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱারেপ অমা লৌবা য়াগনি হায়না লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টকী কন্সটিট্যুস্নেল লো কম্মিটিনা হায়খ্রে।



অদুম ওইনমক কম্মিটিনা অদুগুম্বা ভোট অদু করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাংদদি অচেৎপা ফিরেপ অমা খঙহনখিবা লৈতে। হঙ্গেরি অমসুং টর্কিনা রেটিফিকেসনগী প্রোসেস লোইদ্রিঙৈ মরক্তা পার্লিয়ামেন্টনা লেজিসলেটিব প্রোসেস মপুং ফানা লোইশিনবা য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা ফিনলেন্দদা দিবেট অমা চত্থদুনা লাক্লি।

কম্মিটিগী চিয়র জোহানা ওজালা-নিমেলানা শগোলশেল নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি কোর্স ওফ এক্সন অনীমক্কী মতাংদা অয়েৎ অপন অমত্তা লৈরোই। পার্লিয়ামেন্টনা পান্নবদি হঙ্গেরি অমসুং টর্কিনা রেটিফাই তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ৱাফম অসি পুথোক্তুনা লো মেক্করশিংনা ভোট লৌনবা য়াই।

করিগুম্বা লৈবাক অনীনা মতম চানা মখোয়গী ৱারেপশিং লৌরকপা তারবদি মেটর অদু মথংগী পার্লিয়ামেন্টনা ৱারেপ লৌহন্নবগী ৱাফম পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর মাটি বনহানেন অমসুং ফোরেন এফিয়র্স কম্মিটিগী চিয়র জুসি হলাহোনা প্রপোজ তৌখিবনি।

প্রসিদেন্ট সাউলি নিনিষ্টোনসু পার্লিয়ামেন্টনা ৱারেপ লৌবা য়াগনি হায়খি। শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটি মথৌ তাহন্দবা কম্মিটিগী ৱারেপ অদুগী মতাংদা মত পীরদুনা ওজালা-নিমেলানা হায়খি, মদুদি নাটোদা পারৱ ট্রান্সফর তৌবগী খোঙথাং অসিগী মতাংদা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটিগী মথৌ তাফম থোক্তে।

কম্মিটিগী মতুং ইন্না এল্লায়ন্স অসিদা য়াওরবা মতুংদসু ফিনলেন্দনা মখা তানা মসিগী লেজিসলেটিব, জুদিসল অমসুং বজেটরি পৱারশিং মেন্টেইন তৌগনি। লোকেল এনালিষ্টশিংগী মত্তা নাটো য়াওবগা মরী লৈনবা লোশিং পাস তৌবদা মেজোরিটিশিংগী ৱাফম পন্নরিবসিগী পোলিটিকেল ইম্পোর্টেন্স লৈতে। কুমজা ২০২২ গী মেদা ফিনলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টনা মেজোরিটিগা লোয়ননা নাটোগী মেম্বর ওইনবা এপ্লাই তৌবগী ৱারেপ শৌগৎখিবনি।

# ইন্দোনেসিয়ানা লাক্কদৌরিবা অসিয়ন সম্মিটকীদমক শেম শারি

জকারটা, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়াগী ইষ্টর্ন প্রোভিন্স ইষ্ট নুরসা টেঙ্গরাদা লাক্লিবা মেদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) সম্মিটকী থৌবু ওইনবা শেম শাবগী থবক ইন্দোনেসিয়ানা পায়খৎপা হৌখ্রে। সম্মিট অদু ‘অসিয়ন মেটর্স: ইপিসেন্ট্রেম ওফ গ্রোথ’ হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।




এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি ওইরিবা ইন্দোনেসিয়ানা রিজনেল ব্লোক অসিগী চিয়রমেনশিপ কম্বোদিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা পায়খি। হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা কম্বোদিয়াদা মমাঙগী অসিয়ন সম্মিট পাঙথোকখিবনি।

অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা চহী অসিগী অহানবা নুমিৎমক্তদা অসিয়ন চিয়রমেনশিপ পায়বা হৌনবী মতুং ইন্না হৌখি। মমাঙদা ইন্দোনেসিয়ানা অসিয়নগী চিয়র পায়খিবসি ২০১১ দনি। কোভিদ ১৯ পেন্দামিক অমসুং রসিয়া-য়ুক্রেনগী লানগুম্বা মালেমগী ফুদ অমসুং ইনর্জি ক্রাইসিসতা চাওনা শোকহল্লিবা মালেমগী ওইবা চেলেঞ্জ কয়াগী মরক্তা মমাঙগী চহীদা মালেমগী ইথিল চাওনা পীবা ঙম্বা গ্রুপ ওফ ২০ গী সম্মিটকী হোষ্ট ওইবা ঙমখিবদগী অসিয়নগী অতৈ মেম্বরশিংনা ইন্দোনেসিয়াদা থাজবা চাওনা থল্লিবনি।

কুমজা ২০২২ গী ওক্তোবরদা মালেমগী খ্বাইদগী পাম্নরবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বালি ঈথৎতা জি-২০ গী প্রসিদেন্সি মপুং ফানা লোইশিনখ্রবা মতুংদা ইন্দোনেসিয়ানা অসিয়ন সম্মিটকী মফম ওইননবা অতোপ্পা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমা ওইরিবা ইষ্ট নুসা টেঙ্গরা প্রোভিন্সকী লাবুৱান বাজো খল্লিবনি।

মীয়াম্না পাম্নরবা কোমোদো নেসনেল পার্ককী গেটৱে লাবোন বাজো অসি অনৌবা বালিগী চোইস তরাগী মনুংদা অমনি। চোইসসিং অদু গভর্ণমেন্টনা খনবা আর্কিপিলাগো অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা টুরিষ্টশিংগী পন্থুংফমশিংনি। টুরিষ্টশিংগী পন্থুংফমশিং অদুদা নোর্থ সুমট্রাগী লেক টোবা, সেন্ট্রেল জবাগী বোরোবুদুর, ইষ্ট জবাগী বোমো টেঙ্গর সেমেরু, ৱেষ্ট নুসা টেঙ্গরাগী মুন্দালিকা অমসুং নোর্থ মালুকুগী মোরাটাই য়াওরি।

লবুৱান বাজোনা লাক্লিবা চহী কয়া অসিদা ইন্টরনেসনেল ইভেন্ট কয়াগী হোষ্ট ওইগদৌরিবা অসি য়েংদুনা টুরিজম দেষ্টিনেসন অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ খোঙথাংগী থবকশিং য়ারিমখৈ য়াঙশিনগদবনি হায়না মমাঙগী চহী কয়াদা প্রসিদেন্ট জোকোৱিদোদোনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

# ফিলিপিন্সতা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদ থোক্তুনা মীওই ১৭ শিরে

মনিলা, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

থা অসিগী অমদগী হৌরগা ফিলিপিন্সতা নোং কন্না চুরকখিবদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দ স্লাইদ থোকপদগী মীওই ১৭ শিখ্রে অমসুং মীওই ৫০০,০০০ গী মথক্তা অৱাবা মায়োক্নরে হায়না ইরাই নুমিত্তা গভর্ণমেন্টগী দিজাষ্টর এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট কাউন্সিলনা রিপোর্ট অমদা হায়খি, মদুদি লো প্রেসর এরিয়াশিং, নোর্থ ইষ্ট মোন্সুন অমসুং সিয়র লাইনগী অপুনবা ইফেক্টশিংনা চুহনখিবা নোংনা লৈবাক অসিগী লমদম মঙাদা মীওই ১৭ শিহনখি। ওথোরিটিশিংনা হৌজিকসু মাঙখ্রবা মীওই অনী থিরি। শাথিরবা ৱেদরগী ফিভম্না মরু ওইনা সেন্ট্রেল অমসুং সাউর্দন ফিলিপিন্সকী লমদম ১৩ দা শোকহনখি। মফমশিং অদু খৃষ্টমাসতগীনা ন্যু ইয়র মতুং ফাওবা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা লৈখি।

এজেন্সি অসিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি মহৌশাগী ওইবা খুদোংথীবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ৭০,০০০ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে। মখোয় গভর্ণমেন্টনা শেমগৎপা ইভাক্যুয়েসন সেন্টর ১২০ দা মতম খরগী ওইনা লৈনরি। সাউর্দন মিদানাও রিজনগী মফম অমা অমসুং সেন্ট্রেল ফিলিপিন্সকী মফম মরি ওথোরিটিশিংনা ষ্টেট ওফ কেলামিটিগী মখাদা লৈহনখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা থাদোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেট ৱেদর ব্যুরোনা হৌজিক সুরিগাও দেল সুর প্রোভিন্সকী নোংপোকলোমদা কিমি ৮৫ লাপ্পা লৈরিবা লো প্রেসর এরিয়া অমনা ভিকোল রিজন অমসুং সেন্ট্রেল অমসুং সাউর্দন ফিলিপিন্সতা মখা তানা নোং কন্না চুহল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

# ইর্দোগানগী মায়োক্তা চত্থখিবা প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা টর্কিনা স্বেদিস এনভোই কৌখৎখ্রে

অঙ্করা, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগানগী মায়োক্তা চত্থবা টেরর প্রোপেগন্দা প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা স্বেদিস এম্বেসেদর ষ্টাফান হর্ষ্টোম কৌখৎখ্রে।



সেমি-ওফিসল অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিনা মশক মমিং পন্দবা দিপ্লোমেটিক ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়, হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সিরিয়াগী কুর্দিষ্ট পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিট (ৱাই পি জি) অমসুং অথিংবা থমখ্রবা কুর্দিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি (পি কে কে) গী সপোর্টরশিংনা স্বিদেনগী কেপিটেল ষ্টোকহোল্মদা পাঙথোকখিবা এন্টি-ইর্দোগান প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈনবা টর্কিগী রিএক্সন অদু মিনিষ্ট্রি অসিনা খঙহনখি।

এম্বেসেদর অদুদা অদুগুম্বা শাথিরবা থৌওং অদু অঙ্করানা কন্দেম তৌই অমদি য়াদে হায়বসি খঙহনবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা চত্থহন্দনবা হায়খি।

অঙ্করাগী মায়কৈদগী স্বিদেননা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লক্কনি হায়বগী থাজবা অমুক হন্না ফোঙদোকখি। ন্যুজ এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টর গ্রুপ অমনা ইর্দোগানগা মান্নহল্লবা পাপেট অমবু মখোঙদা পায়রগা য়ান্থহনখি অমসুং মদুগী ভিদিও ফুটেজ অদু পি কে কেগা মরী লৈনবা সোসল মেদিয়াদা স্যের তৌখি। স্বিদেননা ফিনলেন্দগা লোয়ননা কুমজা ২০২২ গী মেগী ময়াই চনবা শরুক্তা নাটোদা য়াওননবা এপ্লাই তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং নোর্দিক লৈবাক অনী অসি অঙ্করানা পি কে কেগী সিরিয়াদা লৈবা ব্রাঞ্চনি হায়না লৌরিবা ৱাই পি জে অমসুং পি কে কেগা মরী লৈনৈ হায়রদুনা মখোয়না নাটোদা য়াওনবা হোৎনরক্লিবদুবু টর্কিনা কন্না ওপোজ তৌখিবনি।

নাটোগী মাদ্রিদ সম্মিটকী নাকোয়ননা অঙ্করানা মসিগী ভিটো লৌথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা কুমজা ২০২২ গী জুন ২২ দা টর্কি, স্বিদেন অমসুং ফিনলেন্দগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা য়ানখি।

এম ও য়ু অদুদা টর্কিনা টেররিজম থেংনরিবদু মতেং পাঙগনি হায়না ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা থাজবা পীখি। লৈবাক অনী অসিনা টেরর সস্পেক্টশিং মপুং ফানা অমদি থুনা এক্সট্রাদিসন তৌনবা নত্ত্রগা মখোয়বু নমদুনা থারক্লবা অঙ্করানা হায়জরিবদু লৈবাক অনীনা য়াবগী ৱাফমসু এম ও য়ু অদুদা পনখি।

নোর্দিক লৈবাকশিং ওইরিবা ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা পি কে কে অমসুং ৱাই পি জিগী মেম্বরশিং য়াওনা এন্টি-টর্কিজ টেররিষ্টশিং এক্সট্রাদিসন তৌনবা টর্কিনা হায়জরিবদু হৌজিক ফাওবা থুংহনবা লৈত্রি হায়রদুনা লৈবাক অনী অসিনা নাটোগী মেম্বরশিং ওইননবা হায়জরক্লিবদু হৌজিক ফাওবা টর্কিজ পার্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীদনা লৈরিবনি। টর্কি, য়ুএস অমসুং ইয়ুনা টেরর ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা পি কে কে অসি চহী ৩০ হেন্না টর্কিজ গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা লান হৌদুনা লাক্লিবনি।

# শ্রী লঙ্কানা মথং চহীদা আর্মি দাউনসাইজ তৌরগনি

কলম্বো, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কানা কুমজা ২০২৪ ফাওবদা আর্মিগী সাইজ হৌজিক এপ্রুভ তৌবা মশিং ২০০,৭৮৩ দগী ১৩৫,০০০ দা হন্থহল্লগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা কলম্বোদা ষ্টেট মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট মিনিষ্টর ওফ দিফেন্স প্রমিথা বন্দরা টেরাকুননা প্রেস রিলিজ অমদা হায়খি, মদুদি মশিং অদু মখা তানা কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ১০০,০০০ দা হন্থহনগনি।

টেরাকুননা হায়খি, মদুদি মিলিটরি ষ্ট্রেঙ্গ্থ অমসুং সষ্টেনেবল ইকনোমিক দিভলপমেন্ট অসি অমগা অমগা মরী লৈনবা ওইবনা অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি তঙাই ফদনা লৌখৎনবা খন্নরকপনি। মিলিটরি চাদিংনা নাকোয়ননা ইকনোমিক গ্রোথ লাক্নবগী লম্বীশিংদা ইনোৎ পী। মসি মরু ওইনা নেসনেল অমসুং হ্যুমেন সেক্যুরিটিগী মতাংদা এসুরেন্স পীবগী মওংদনি। লৈবাক অসিগী তুঙগী ওইবা সেক্যুরিটিগী চেলেঞ্জশিং মথৌ তাবা নেসনেল সেক্যুরিটিগী ফিভমশিংগা চান্ননবা গভর্ণমেন্টনা ষ্ট্রেটেজিক ব্লু প্রিন্ট অমা পুথোকখ্রবনি।

# য়ুক্রেননা বেলারসকা লোন্নবা বোর্দর পরিংদা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং কনখৎহনখ্রে

কিভ, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

য়ুক্রেননা বেলারসকা তাইনবা লৈবাক অসিগী বোর্দর পরিংদা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং কনখৎহল্লি হায়না জোইন্ট ফোর্সেস ওফ আর্মদ ফোর্সেসকী কম্যান্দর সেরহি নায়টনা ফোঙদোকখ্রে।



জোইন্ট ফোর্সেসকী প্রেস সার্ভিসনা নায়বকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ঐখোয়না প্রোফেস্নেল ওইবা মওংদা ঐখোয়না শিন্নবা থবকশিং পাঙথোকই। সেন্সিটিব ওইবা বোর্দর এরিয়াশিংদা ঐখোয়গী ঙাকশেলগী থৌরাংশিং থেংখাং নাইনা কনশিলহন্নবা হোৎনরি।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না হৌজিক বেলারসকা লোন্নবা বোর্দরদা লৈরিবা ফিভম অদুনা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা গ্রাউন্দ ওফেন্সিবকী ওইবা থ্রেট অমা হকথেংননা পীবদি তৌদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

নায়টনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেননা য়ুএস অমসুং পোলেন্দগুম্বা ফোরেন পার্টনরশিংগা কন্টেক্ট তৌনদুনা য়ুক্রেন-বেলারস বোর্দরদা লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা তৎতনা খন্নরি। হৌখিবা চহীদা য়ুক্রেননা বেলারসকা তাইনবা মসিগী বোর্দর পরিংদা ৱাল অমা চনখৎপা হৌখিবনি। মদুদা খোঙবাল অমা, কনক্রিট ফেন্স অমা অমসুং বার্ব ৱায়রনচিংবা বেরিয়রশিং য়াওই। বেলারস অসি নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক্তা রসিয়াগা বোর্দর লোন্নৈ, খারোমদা য়ুক্রেনগা লোন্নৈ, নোংচুপলোমদনা পোলেন্দগা বোর্দর লোন্নৈ অমসুং অৱাং নোংচুপলোমদনা লিথুএনিয়া অমসুং লাটবিয়াগা বোর্দর লোন্নৈ।

জনুৱারী ১৬ তগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা চত্থগদৌরিবা রসিয়া-বেলারস জোইন্ট এয়রক্রাফট য়ুনিটকী ট্রেনিংগী মাঙওইননা কম্যান্দর অসিনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি। হৌজিক চত্থরিবা লান অদুদা বেলারস য়াওদ্রবসু লৈবাক অসিনা রসিয়ন ট্রুপশিংবু মসিগী লম শীজিন্নদুনা কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান্দাবা য়াহনখিবনি।

চৈরকসিদা, ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনগী পিছ প্লানগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না টর্কিদা লৈবা য়ুক্রেনগী এম্বেসেদর বাসিল বোটনানা ফোঙদোকখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা ৱাতেমদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অদু ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ুএনগী হেদ ক্বার্টর্সতা চত্থরবা য়াই হায়না য়ুক্রিন ফোম ন্যুজ এজেন্সিনা বোটনাগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি।

য়ুক্রেনদা মরা তপ্পা ফিভম লিংবা য়ানবা কিভনা প্রপোজ তৌখিবা প্লান সপোর্ট তৌবা অমদি মদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মতেং পাঙনবা শেম শাবগীদমক মহাক্না টর্কিবু থাগৎখি। কুমজা ২০২২ গী নবেম্বরদা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা জি-২০ গী সম্মিটতা রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট অদুবু লোইশিনবা য়ানবগী পোইন্ট তরাগী পিছ প্লান অমা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা পুথোকখিবনি।

# শ্রী লঙ্কানা মথং চহীদা আর্মি দাউনসাইজ তৌরগনি

# জেরুসালেমগী শেংলবা মফমশিংগী লৈজরিবা ফিভম কায়হল্লোইদবনি: গুটরেজ

য়ুএন, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা জেরুসালেমগী শেংলবা মফমশিংগী হান্নদগী লৈজরকপা ফিভম কায়হন্দনবা অমদি পলেষ্টাইন-ইজরেল ইস্যুগী মতাংদা ষ্টেট অনীগী সোলুসন থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌখ্রে।

ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ুএন হেদ ক্বার্টর্সতা আরব গ্রুপকী এক্সটেন্দেদ ট্রোইকাগী পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা গুটরেজনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি জেরুসালেমদা লৈরিবা শেঙলবা মফমশিংদগী মমাঙদগী লৈজরকপা ফিভম ঐখোয়না কায়হন্দনা থমগদবনি। লোয়ননা ষ্টেট অনী লৈহনবা হায়বা সোলুসন অসিবু লুশিলহনগদবা থবক থৌওং অমত্তা চত্থদনবা অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইরবা ষ্টেট অনীগী সোলুসন অসিসু ঐখোয়না অহোংবা লৈহন্দনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

হৌখিবা চয়োলদা ইজরেলগী নেসনেল সেক্যুরিটি মিনিষ্টর ইটানা বেন-গাবিরনা ইষ্ট জেরুসালেমগী শেংলবা মফম অল-অক্সা মোস্ককী কম্পাউন্দদা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা পলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়কৈদগী থৌওং অদু অতম্বনা কায়হৌবনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখিবনি। জিয়ুশিংনা টেম্পল মাউন্ট হায়রগা খঙনবা কম্পাউন্দ অদু মুস্লিমশিং অমসুং জিয়ু অনীমক্কী ওইনা শেংলবা মফম অমা ওইনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৌনদুনা লাক্লি। ইজরেলগী হিংবগী রাইট অমসুং সিক্যুর ওইনা লৈবগী রাইট অদু য়ুএননা রিকগনাইজ তৌই হায়না গুটরেজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না সেটলমেন্টশিং শেমগৎ শাগৎপা, ইভিক্সন তৌবা, য়ুম-কৈ কয়া থুগায়বা অসিনা পলেষ্টিনিয়নশিংবু খোইরাং খোইশাওহনবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা হেন্না মুক্নবা অমদি য়েংথিনবা লাকহন্নবগী মচাকশিংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সস্পেক্ট য়ামাগামি এক্স পিএম সিঞ্জো অবে হাৎপগী মরাল শীখ্রে

টোকিও, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

জপানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেবু হাৎখিবা মীশক্কি হায়না চিংনরিবা টেটসুয়া য়ামাগামিবু ইরাই নুমিত্তা জপানিজ প্রোজিক্যুটরশিংনা হৌনবী মতুং ইন্না চার্জ তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৪২ শুরবা য়ামাগামি মী হাৎপা অমদি নোংমৈগী লোশিং ভাইওলেট তৌবগা মরী লৈননা প্রোজিক্যুটরশিংনা হৌনবী মতুং ইন্না চার্জ তৌখিবনি। মদু থা তরুক্লোম সাইক্যাট্রিক ইভাল্যুএসন চত্থরক্লবা মতুংদনি। নরা প্রোজিক্যুটরশিংগী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হান্নগী পিএম অবে জুলাই ৮ দা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা সস্পেক্ট টেটসুয়া য়ামাগামিবু মী হাৎপা অমসুং নোংমৈগী লোশিং ভাইওলেট তৌবগী মরালশিং শীরে।

পনবা য়াবদি, জপানগী হান্নগী পিএম অসি সেন্ট্রেল সিটিগী লম্বী অমদা মীখলগা মরী লৈনবা কেম্পেইনগী মনুং চন্না স্পিচ অমা পীরিঙৈদা নোংমৈনা কাপখিবনি। মালেম পুম্নবু থম্মোয় শোকহনখিবা ক্রাইম অদুগা মরী লৈননা য়ামাগামিবু হেন্দ গন অমা শীজিন্নরগা অবেদা নোংমৈনা কাপখি হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখিবা মতুংদা ফাখি।

থৌদোক অদু অবেনা নোংচুপ থংবা সিটি নরাদা মীখলগী কেম্পেইন চত্থদুনা ৱা ঙাঙলিঙৈদা থোকখিবনি। সস্পেক্ট য়ামাগামিনা ৱাথোক ওইরবা য়ুনিফিকেসন চর্চপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিফিকেসন চর্চনা মরম ওইদুনা মহাক্কী ইমুং শেল থুমদা লৈখা তারকখি হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না য়ুনিফিকেসন চর্চনা মহাক্কী মমাদা য়েন মিলিয়ন ১০০ রোম হায়বদি য়ুএস দোল্লর ৭৭৪,৭০০ রোম দোনেসন তৌনবা তকশিনখি।

মহাক্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অবেবু লাইনিং লাইশোলগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অদুবু শৌগৎলি হায়না মরাল শীখি। য়ুনিফিকেসন চর্চ অসি কুমজা ১৯৫৪ দা সাউথ কোরিয়াদা লিংখৎখি অমসুং মসি পাক্তক্না মী ময়াম লুহোংবগী থৌরম লাংবগীদমক্তা মমিং চৎলি। লোয়ননা চর্চ অসিগী মরু ওইবা ইনকমগী ছোর্সশিংগী মনুংদা জপানিস ফোল্লোৱারশিংনি হায়রি।

# ইন্দিয়ন-অমেরিকন উসা রেদ্দি কন্সাসকী সিনেটর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ৱাশিংতন, জনুৱারী ১৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন-অমেরিকন সিটি কম্মিস্নর উসা রেদ্দি য়ুএসকী কন্সাস ষ্টেটকী সিনেটর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মহাক হৌখিবা থাদা থবক্তগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রবা হৌজিক মান হটানগী সিনেটর ওইরিবা টোম হোক্কী মহুৎ শিন্নবগীদমক সিনেটর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

রেদ্দিনা কুমজা ২০১৩ দগী মান হটান সিটি কম্মিসনদা থবক তৌরকখি। মহাক রিলে, গ্যারি অমসুং ক্লে কাউন্টিশিংগী দিমোক্রেটিক প্রেসিং লিদরশিংনা এপোইন্ট তৌখিবনি।

নেসনেল মেদিস্নেল প্লান্টস বোর্দ
মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুর্বেদা, যোগ, য়ুনানি, সিদ্ধা এন্দ হোমিওপেথি (অয়ুস)
অহানবা অমসুং অনীশুবা ফ্লোর, এনেক্স বিল্ডিং, ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি
ন্যু দিল্লি ১১০০০১

নেসনেল মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দ (এন এম পি বি) না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা মেদিস্নেল প্লান্টশিংগী কঞ্জার্বেসন, দিভলপমেন্ট অমসুং সষ্টেনেবল মেনেজমেন্টগী ওইবা সেন্ট্রেল সেক্টর স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা এক্তিভিটিশিং অহুমশুবা পার্টিনা মপুং ফানা মোনিটর তৌনবগী প্রপোজেলগী রিক্বেষ্ট পীরক্লবা খঙহঞ্জবা অহানবা কোল

নেসনেল মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দ (এন এম পি বি) না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা মেদিস্নেল প্লান্টশিংগী কঞ্জার্বেসন, দিভলপমেন্ট অমসুং সষ্টেনেবল মেনেজমেন্টগী ওইবা সেন্ট্রেল সেক্টর স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা এক্তিভিটিশিং অহুমশুবা পার্টিনা মপুং ফানা মোনিটর তৌনবগীদমক এন এম পি বি, মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুসনা পব্লিক সেক্টরগী মখাদা লৈবাক্কী ওইনা মমিং লৈরবা ওর্গনাইজেসনশিং/মার্কেটিং রিছার্স/অতৈ রিছার্স ইন্সটিট্যুসনশিং/কন্সোর্টিয়া অসিনচিংবা এপোইন্ট তৌরগনি।

অপাম্বা বিদ্দরশিংনা এদভর্টিজমেন্ট অসি (পাউচেশিংদা) ফোঙবা চয়োল ০৩ (অহুম) গী মনুঙদা মখোয়গী প্রপোজেল অদু মরী লৈনবা টি ও আর অমসুং ইভালুএসন ক্রাইটেরিয়াগী মায়োক্তা মথক্তা পল্লিবা এন এম পি বি, মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুস, ন্যু দিল্লিগী এদ্রেসতা সম্মিট তৌবা য়াগনি। অপাম্বা বিদ্দরশিংনা এন এম পি বি, মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুসনা ইস্যু তৌবা টি ও আর অমসুং ইভালুএসন ক্রাইটেরিয়া www.nmpb.nic.in দা দাউনলোদ তৌদুনা অহেনবা ইনফোর্মেসন খঙবা য়াগনি। হংনিংবশিং লৈরবদি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, এন এম পি বি, মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুসকী অন্দর সেক্রেটরি টেলিফোন নম্বর: ০১১-২৩৭২১৮২১ দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

CBC 17203/12/0003/2223

সি ই ও, এন এম পি বি